ইচৌ লাংবা

মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীগী মতেংনা ফোঙজবা।

ইখৌ লাংবা

ইজবা ঃ

পি, কোকঙাং সিংহ

সমজ লুপা ২'০০

ফোঙ্গবী :— ইবেমচা দেবী (লেখক্কী মমা)
কোংপাল পোবোমপাৎ বোড,

নমখম - দি. মণিপুর কো-অপরেটিভ প্রেস, ইম্ফাল।

মৈংনগী অহবা থুমাবশিংগী মফমদা

নমথিবি ঐগী 'হৈখৌ লাংবা'

লোকুবিগনু।

য়াওফম তাকপা

ঙসিদি শেংলবা সুমিৎলি

ঙসিদি বারুনী চীং কাবা সুমিৎলি
শিব মহাদেব দর্শন তৌনীংবা
প্রজা লৈশিং-লৈশিংনা
মাঙগী চীংদোন পাংলক্রি।
পাখং লৈশাবী কয়া
চীংমী-তম্মী ওয়া চৎলি,
কুলী, মোতিয়া, নাপেৎ
রাশব্ কনবী কৈথেলগী ইমা ইন্দোন
ঠিকাদার, ইঞ্জিনিয়ার, অাফিসার, ডাইরেক্টর
ভক্ত কয়া কয়ানি
ঙসিদি শেংলবা সুমিৎলি শেংলবা।

শিব মহাদেবগী চরণদা
ঐসু চৎনীংই,
বর অমতং নিনীংই
চীংঙোই স্নান তৌনীংই,
অদুবু.
চৎলিবা অসুক য়াম্বা মীয়ামসি
ওয়া লাই নীংলিদরনে
মী লাখ তরামাথোই লৈবা মণিপুর
ওয়া ভক্ত ওইরব্রা!

শিবগী খুড়ুম মনাক অশোঙবদনি
লৈশাবী পাখং অনীথক
খো-খো নাখোক্তুনা তৃম্লি
থাশিরমদাইগী মম্লবা অহিংসিদা,
মসিবু থাযনৈডেদগী চংনবমগদ্রা।
অবাংবা চীংদোলদগী য়েংথবকপদি
মৈতৈ তম্পাক ফনা নীংথিজৈ
য়েংবদা মীৎফম তোংনীংদে।
আ— অথাপ্লদা—
মাও গেটকী পুলিস
মীৎ পাঙনা পাঙনা তৃম্লিবা—
"মেহরবানী কীজিয়ে, পুলিস সাহেপ।"
নোংঙাম্লকপদা খবর কাগজ খুদিংদা
লম্বীদা সডক্তা পুম্লিল
ঙরাং অহিং ডিমাপুরদা
চেঙ লোন্না থাখ্রে
ভক্তশিংগী শেংলবা পুংফমদা
ঙসিদি শেংলবা হুমিৎনি শেংলবা।

ইম্ফাল সহরগী মযাযদা
সরকারগী লোয়শঙ অমদনি
মীকোক মঙা ফমছুনা রারী শাই

ইখৌ লাংবা

ভক্তশিংগী শেংলবা পুংফমদা
লম পীথোকখিসি হাযাবত্রা
লম খোপাচিনসি হায়রিত্রা ;
ট্রাব লাইটকী মৈঙালদা পাইশিল্লকপা
কংজে হাবৌশিংনদি লোম্না তায়,
য়ানীংদে, য়ানীংদে হায়না পাইথোকখি
মপুক্কীংদা শোনজবতনি,
য়াকৎপদি ঙমজদে ঙমজদে,
ঙসিদি শেংলবা মুমিৎনি শেংলবা ।

অঙম্বগী য়াথং

ইনিংথৌ লেঙথোরকই ইনিংথৌ
খুরুমউ লৈবাক মচাশা খুরুমউ
কদায় অথেনপোৎ, অথেনপোৎ
পোত্থানবা মাঙ্গোলহু থাজিল্লু,
লৈকাযগী মচিন তোঙবী লৈশাবী,
ইনিংথৌ সেবা চংউ ইনিংথৌগী
নোংমৈ পায়বা পুলিস মীতোপ চঙবা থিংউ ।

মীনাই তোম্বা ঙসি অহিং
মীনাই নাইথাঙ চৎলবী লৈবাক্লেগা

অবোনবা কাদা কমদিরনদ্রী, ফাও
মখোয়না হায়— মশা মশা য়াদৈ।
(অহু ওইববসু) অয়োনবা লমচৎ চৎপনি, ফাও
ঙবোংখাউ নমউ নভ্রপা শুগ্‌ লোই খাও
ইনিংথৌগী য়াথংনি অঙম্বগী যাথং।

দাবা প্রসাদ কাংপোকপীদা
েওঙ লোম্না পুবগী ফায়,
মন্ত্রীনা পীবা চেহু উৎলি
থানাগী বাবুশিং শংত্রিক য়েংই,—
টাটা গাড়ী মরি য়াওনা থৌথি।
হুয়ানবহু ফাক্কু, মন্ত্রীগী মীনি।

চন্না মরি হেল্লবা অঙাং অমনা
কিহোম মশুং অমা লাকপ্রে
ফাও ফাও হুয়ানবহু ফাও
পুলিস লীশিং অমা চঙউ, নমহনা কাও
মখোঙ পুল্লু, মথুৎ পুল্লু
থুরাইদা, কললা ফুথৌ
হুবানবদো ফাও তাকুহ্‌ ফু,
কোর্টতা বিচার তৌ, লৈবাক্কী মাঙনবা তৌবনি
মন্ত্রীগী যাথংনি অঙম্বগী য়াথং।

নথোয়ুগী মণিপুর

মণিপুর ?
সনাৈলবাক মণিপুর ।
লমদমসিগী ঈশিং কুংশিং "
যাম্মদ্রা শাদে যাম্মদ্রা ইংদে ।
স্কুল, কলেজ ?
লৈকায খুদিং খুনক হাওদে ।
এম, এ, বি, এ ?
এশাং থীবা ওমদে ।
চাং-তম ইন্টিগ্রেসন ?
ওাক্রা চংবা মাঙ্গ্রি ।
লম্বী-খোংদি ?
ইঞ্জিনযারগী ফাইলদা পাকা
লম্বেলদা কচ্চা ।
জংগোয ঈশৈ ?
পৃথিবীদা মমাং চংলি ।
প্লান প্রোজেক্ট ?
আফিসারগী ফাইলদা
লোচা পথাপ ?
মন্ত্রীগী ফাইলদা ;
কো অপরেটিভ সোসাইটিজ ?
সাইনবোর্ড সোসাইটিজ

ফেন্টুাব ?
ফেক্টবি লৈতে।
ইন্দষ্ট্রিজ ?
ইন্দষ্ট্রিজ লেতে।
পোলিটিকেল পার্টি ?
৩০০০ জিবো পার্টি।
পোলিটিকেল লিডবস ?
নন-সেন্স লিডবস।
ও! মণিপুব, সনাংলেবাক মণিপুব
মৈতৈ লৈবাক মণিপুব
চংগোংঝগা মণিপুব।

শোক প্রকাশ

কাব তোলহল শিবে
জিংবগী অধিকাব লৈবে
উম, মা চংখ্রে অহিংসদা।
পাউ তাসি হেক তাবদা
কবি সোইনাও ময়াম
মোংফম তম্না পাইশিল্লকই
লে পাংং অমমম পায়নরকই

মোংফমদা তোলহলগা ফোটোতু থমলে
ময়াম্মা লৈ পরেং হুকচিনৈ
পাইহুনা লৈরম্বা মাগী আত্মা
ফোটোদা তপ নপথি।
ময়াম্মা হায়—
শোক প্রকাশ, শোক প্রকাশ
মীনিট অমত্তং মৌনা ব্রত।
ষ্ট্রিটকী ডিম লাইটনা
পুর্ণিমাগী থাবলন্ন ইকায়বা পিং,
ময়ামগী মবক্তা অমনা
ইকায খুম্নববা কবি তোলহল
হৈ থক্তদে হৈতে খক্তদে
কাব বঙ্গ উপাধি পীববা
নমস্তে তোয়না তৌগনবা
ক্রিটিক মতুং হনগনবা
ময়াম্মা নমতুনা চাউহনবা
শঙ্ক লৈববা কবি তোলহলনি
মাগী আত্মানা স্বর্গদা অমুক
পৃকচেল চম্না হিংলুনবা
এখোয়না ঈশ্বরদা হায়জারি।
ময়াম্মা অবোইবদা লাউবি
অচং অশি থাইনবসি
রাথল মশেল লাপ্নবসি
থম্মোয থম্মোয বির্সজন।

অফিসকী কা অমদা

অফিসকী কা অমদনী
খল্বা অমসুং খল্লী
টেবল টেবল থংনৈ
বারী কয়া শাই
মোমোন নোমোন নোকই
খড়া পিওন চংলকই
কা লৈরক থাদোকখি।
প্লান কয়াগী যাইলনা
কেবল থক্কা তুমলি,
এপোইন্টমেন্ট, ট্রান্সফারগী ফাইলনা
মথোঙ য়ং-ফং কাউবি
চীংলক্কা লোথশং মচা কয়না
ট্রান্সফারগী এবদর ঢাউবি।
নোংমানি
থবক খিবা মাথব
এপোইন্টমেন্ট পাগনা কেরানী বাবুদা হাইঙে
এগী এপোইন্টমেন্টকী মতাংঙন্দু।"

কেরানী বাবুনা খুমই
ফাইল থক্তু অক্তগীদা লৈখি
সাহেপ থক্তু অক্তুনা পায়রি।

থবক থিবা মাধবনা—
বাবু চা ফাল্লুসি।
খম্ব অমম্ভং মাধব
চিক্লা রাবী শাই
মোমোন মামোন নোকমীম্নৈ।
—কৌজিক চাইহাক চাইবগা।
ঙবদব অঙ্ক পায়বীগ্রো।
আফিসকী তেবলনা কুংলি মাঁগ
সবকাবগী ফাইলনা অস্তম অস্তম লাপথোকখি
অমুকস্থ অস্তম অস্তম নকশিলনৈ।

ঐখোয় মৈতৈ মচানি

ঐখোয় মৈতৈ মচানি,
সনালৈবাক মণিপুর
মীং অসিদা ঐখোয় চাউথোকচৈ
মীযোক মীচান ফজবা
চংলকহৌবা মথৌ চংজফম পীগনবা
অদুনা,
লাউ বঙ্গালী, লাও পঞ্জাবী
লাও বীহারী, রাজস্থানী
লম্বী চাউনা ফাংলি নখোয়গীদমক
লন অসি গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক্নী
সহরদা, খুঙ্গদা, চিংলদা
মৈতৈ লৈবাক কবিস্ব রাংতে
লৈফম রাংতে, চান্নবা নোপতে
লাইগী লৈবাক্কী মীযাম্না পান্নবা
নখোয় চংলকলগা ঐখোযগী লৌশিংনি।
ঙগোযদা, ঈশৈদা, লিলাদা
শেল য়াম্না থাবা উম্বা
ঐখোয় মৈতৈ মচানী
লমদমসিদা পোকচবা।
চাগাদগী চাদিংনা হেনগনবা

সঙ্গোম য়োম্লগা ভারী লৈগনবা
তমগনবা, শুগনবা, চাগনবা
ঐথোয় মৈতৈ মচানি
লমদমসিদা পোকচবা।
মৈতৈ মচাদি কবপসন হেক্কে
থবক হাম্লদা শেল লৌনদে
ঐগী মীগী নাইনদে,
এম. এ. বি, এ, লো
আর, এ, এস, আই, সি, এস
ঙম্মা লৈরে মৈতৈ মচা।
ঐখোয়গী লৈবাক ষ্টেটক্তট ফংলে
লোইলম শাসন মাংখ্রে
মসিগীদমক চাউখোকই।
অদুনা -
লেন্দাশলিং হৌজিক পাংথোকলে
লাকরবদা লৌ পিরে
লাকবরা ইমাকশুনবা তেনদে
অসিনিদনা ফুচাইবা হায়নবু।
লৌমুক লমগী পাংথি কোমথি
থুং মোংনবনি কুমলুম
হৌজিকগী থবক য়াওবা হৌনদে
মৃত্যিগী থবক পামনদে

খোৰীগী থবক হন্তনা থল্লু,
শুৎ-তাই তৌদুনা চৎপা
ভেসপাদা মুপী হাপত্তুনা চৎপা
মৈতৈ মচাদ নৌন পামনবি।
পৌশিল হৈবা সবকাৰনা
লৈকায় লৈকায় খুঙ্গং খুঙ্গং
কিযাব প্রাইসসোপ হা হুনা
চেং, হৰাৎ, খুম-থাও
হোত্তনা হোত্তনা ফংতল্লে
ঐখোযগী মৈতৈ লৈবাক্তা।
কৈদোৰ্কনি কেঙ্কবি, ইন্দসত্রীজ,
ংক ডনা ফংবা লৈবাক কয়া লৈরে
হোৎনা হোত্তনা লৈরর্বনি
হৌজিকপু যেতুম শাৰুদুনা কৈদোননি
প্লান কযাদা থাদগদবা শেলদুনা
জগোইদা, ঈশৈদা, সিনেমাদা
মৱম চানা চানা শিজিন্নবা ফৰে।
ঐখোয মৈতৈ মচাদি
মীঙোন্দগীদু পুজরোৎ
মীঙোন্দদু পিথোকলোই
য়াম্না চাবা, য়াম্না মুঙাইথোকপা
অসিতনী পামজবা।

তোমাল্লো

তোমাল্লো পোইলা তারিখ খুদিংগী
মক্কপ মপাং লৈবা আফিস খুদিং
চা থকপা হেক হেক চৎলি,
চা গিলাস অমা চুরুপ মচৈ অমা
ক্বা মতপ অমা হেক হেক চাথোকই।
মানা খল্লি মানা হেন্না শিংই হায়না
মীনা হায় থৌরৈতবা তোমাল্লো।

মকপ মপাংশিংনা তলব ফংবা মমিংতি
আফিস ওয়া হেক হেক কুমই
তোমাল্লো লাকপা উবদা
শকথঙনবা কেবানী ওয়া
ইকচাং ওমদ্রে হায়না নাম্থোক্কনা
অমতা নত্তে ফনা য়ামই।

অঙ্কবু

কেবানী খবাদি অতুমক ফাই
ওংবগা শকপগা পুম-মুন-মুল্লি
ওাংলি মখৈ চুম্বোই নীংহ
ওাংবা হৈবা তোমাল্লো
গ্রাংলগতা মপুক থনজৈ, মযুম পুই।
পাখঙ-লৈশাবীশিংনা মাবু খাই

শেম শাদুনা ঙাংবা হৈ
মথাম্না তোমাল্লো বাবু কৌবদা
বাবুদা বাবু শুন্তরবোই নীংজৈ।
হোটেলদা, মিটিনফমদা
তোমাল্লোগী ভাষন তাবদা মুন্দবা য়াওদে।
মীনৌশিংনা মাবু ব্যবহাব তৌই
কুইবগা "বাবু" হায়বগা নান্থোক্লে।
অসিদগী নত্তে তোমাল্লোগী রাবী—
সেসন কোর্ট, হায কোর্ট, ডি, সি, কোর্ট
কা মণ্ডপ চাউনা চাদুনা
ভেবেন্দা খুদিং হঙ্গৎ-হন্দা চংলি
শঙ্খ্বা মাল্লী খ্বাইনা য়েংবদা
উকিল খুদিং মানা খওই
অদু অদুনা লেপ্পা কেসতি
শোযবা লৈতে হেক হেক হায
মীনৌ লাকপা উবদা
তোমাল্লো হান্না পাইশিল্লী
রাঙাং খুদিং কমিসন
অসুম্না লেনজৈ তোমাল্লো।

শানৌ নাপ্পদা মীকুপ 'মতং

নৈরাং নখোয় শাংচহৌ
পামজনা শেমজবা লৈকোনসিদা
মীকুপ অমগী পুন্সিসিদা,
অত্তুগা।
মানবু চিনবীনি হায়রবদি
হেকসন্থ মথুং মচান্থনা, ৎমলিমথৈ
থদংত্তুনা চাইথাইবা লৈকোনসিদা
স্থ'শিনা থাজবা পামুনা থমজবা।
শানৌ নাপ্পদা মীকুপ 'মতং
ফুগাইনা চানজবা
অসিদনি ঐনা পামজবা।
একলে গোবিন্দগী চবণ য়ৌদ্রবস্থু
নৈরাং মাঙজবো
নৈরাং কেনজরো।

রাশক লৌরি

গভর্ণরগী বঙ্গল। মমাঙদা
কালিএসন গভর্ণমেণ্টকী
মন্ত্রী মশা রাশক লৌরি,
এ, আই, আর, রিপোর্টর
পি, আই, বি, পি, টি, আই
রিপোর্ট লৌরি, রেকোর্ডিং তৌরি।

* * *

ঐ ঈশ্বরবু যেংহুন। বাশকলি
ভারতকী সংবাদনিগী নিযমবালী
ভাবা। চৎচগানি।
লমদম অসিগী শেমগৎ শাগৎপদা
পৃথক হুকচা যাওনা হোংনজগনি।
কাবদা ম্লে:—
মান্দা-তুংদা গার্ড।
ইকুত কুইদে,
হিন্দুস্থান ষ্টেন্দরগী ফাণ্ট তেদীংদা
"মণিপুরগী মন্ত্রী মন্দল কায়রে।"
চাউন্থ, তোম্ব, বাম্বু, শ্যাম
কংগ্রেসনা যাওখে
কংগ্রেস কন্যানস পূল্লে।

লাকলিবা তারিখ ২৫ দা
মন্ত্রী মন্দল চাউথোকলগনি
গভর্ণরগী বঙ্গলা মমাঙদা
পি, আই, বি, পি, টি, আই,
এ, আই, আর— রিপোর্ট লৌরি

অশোক হোটেলগী চা

অশোক হোটেলগী
করা মীঠা চা
মনিল ফোং-ফোং কাবা
মনিল্লুগী মরক্তা উরকই
'মংলেন্বী' মতম অমগী
অস্তুম্বা হোটেল অমদা
ঐ অমস্নুং মা,
ফাল অমতদা, তেবল অমগী
ফোং-ফোং শাবা চা অমমম
রাবী কয়া কয়া
ঐ অমস্নুং মা।

* * *

সকপ মপাংশিনা হায়নৈ

আফিসতা, লম্বীদা
অশোক হোটেলগী
কবা মীঠা চা
মনিল ফোং-ফোং কাবা
চৎলে-ফমলে নিঙশিংই
অশোক হোটেলগী
কবা মীঠা চা
থাংজা কুমীৎনী তাং ১৫,
কুমীদাংবাই পুং ৪.৩০
কেনা লাকই, হবাওনা
পাউনা বাজাব
দুকান মশীং ১, ২, ৩, ৪... ...।
থেংনরে অশোক হোটেল
শিৎনানবা তেবল চৌকি
মী, অস্কং যাম্বা মী
চুমইদনা ভাই ইবোহলনা হায়বা
'অবে, এক চায় গিলাস
কবা মীঠা— জলদী।'
মনিল ফোং ফোং কাবা
কবা মীঠা চা
—লৈজরে বাবু।
রাথল তৌনা

অহুমলক্তমক চিংলি
চাদগী কারকপা মনিলনা
উরু-উক জগোয় শারি,
খঙহৌদে,
মীখোল তায
থংলো, থংলো, হাংলো, হাংলো
ভম্না চেম্থোকনৈ
ভিক্টবি সিনেমা হোলদা
মৈতৈ নুপী অমদা
পঞ্জাবী পাখঙ অমনা থেংলম্বনি।

হি:
ঐগী কবা মীঠা চা
মনিল ফোং ফোং কাবা,
তম্না লাকই,
হোটেল বন্দ,
কৈদগী য়াদগে।
হো মহাজন, অশোক হোটেলগী মহাজন
থোঙদা— দং-দং-দং।
পৈশা পীহুনা থকচবা চা
শুপ্নগী অহুমলক্তমক চিংলিবা
শুপ্নগী য়াউম অহুমলক্তমক,
থোঙ হাংলো

মুংশি হৈতবা ময়াং
পুক-কংবা অশোক হোটেলগী মহাজন
তাবীদ্রবা— খৃষ্টীয়নবা।

অমুবু—

পীশিনগ্রবা পৈশা কুস্থ্রা!

অমরে—

হয়েংসু হংচিংসু হাংলগনু
ঐগী পেশা কুস্থ্রা হাৎচরো।
কাওবা য়াদে
অশোক হোটেলগী করা মীঠা
মনিল ফোং-ফোং কাবা চা।
লম্বী ময়াদা, ময়াইদা
কংলা পার্কতা, কাংজেবুংদা
অহিংগী কাংখল মমুংদা
উবি অশোক হোটেলগী
করা মীঠা চা
মনিল ফোং-ফোং কাবা।

তাও খোঞ্জেল

গির্জ্জাদগী থোবকপা মুপী মচাশিংগী খোন্থাং
হিন্দুগী মন্দিরদগী থোবকপা 'হরি' গী খোন্থাং
মুসলিমগী মসজীত্তগী থোবকপা 'অল্লাহ আকবর'
তিনখ্রে অমতা ওইনা নহাবোলশিংগী নাকোংদা
যাহৌ ঙল্লবা জাতি অহুম্মক
মবাই লুকখ্রে ধর্ম্ম ভেদ লৈরম্বা
থোবকলম্বা লাইনিং লাইশোনগী খোন্থাং
তিনখ্রে অমংবা লৈচিনলক্কা
অনৌবা মুমীৎকী মঙালনা যৈবদা
ঙাল্লরে অমতা ওইনা ঙসিগী জগৎতা
তাও মন্দিরমুংগী মিরবা খোঞ্জেল —
'ধর্ম্মগী মীংদা— খৎনজম্মসি
নংগী ঐগী ধর্ম্ম অমত্তনি।'

ইখৌ লাংবা

নোঙ্গৌবী নোঙ্গৌবী শারি কমখোং
তুবেল লৈনাসি-মাই ওমজরোই,
হাদ নাংহল থাজ তম্না পাইরুসি
—মাই ওমজরোই ইশা নোপলি ॥

লৈ থিবী মালি করিগী লেপলি
হেকলো লাও চিনি চম্প্রা নাগেশ্বর
শাংলি থন্না কেতুকি, গুলাপ
যেন্দ্রাই থন্না হেকলো লাও অপাম্বা ॥
থ্রৈটহুং থ্রৈটহুংকী-ভৌন্দাবাদ
নিপালশুবা সেহ্যলদা মণিপুরী লোল
ইখৌ লাংনা লাওবনা ওইখোক্লোই
চংশিল্লকউ মান্ননা খোংথাংদো মকপলোই ।

হবে কৃষ্ণ হরে রাম
অল্লাহ্ আকবব, ও। গোর্ড
ধর্ম্ম মশক খণ্ডবা পাদ্রি
নখৌ পোংনা ধর্ম্ম প্রচার তৌবনুসি ।
শিগনি খণ্ডবা নংনা করিগী শিগনি
ফংগনি খনবা নংনা কবিগী লেপলি

মণিমুক্তা হিরাবু লাইজথক্তা তাবরা
ফংনিংবদি রাখলনা চংশিল্লকউ মাঙলোমদা
পামলিবদো অওইবা থিগংলুনে অচুম্বা
ইথৌ লাংবা রাহৈনা অমুক তোইনা কৌরম্নু
খুদোংথিবা উবগা নপী ইরা চেললম্নু
পুক্নীং লমথুং যৌনবা রাখল চাংজো-লাম্থোকউ।

১৯৭০

মূর্তিশিংনা লাওরকই

নোংমা লৈশাবী পাখঙ অনীথক্না
তুর লাকই মিলিটবী স্মৃতি গ্রাউন্দা
অথ যাওদনা অর্থ লৈনা রারী শাই
লেপতে চংশিল্লী অসুম-অসুম ॥
মতম কুইনা ব্রহ্মাচাবী ওইববা শিফায়শিংগী
মুঙদা হকপা মূর্তি মযাম্না য়েংলকই
কেরুক কেরুক, নোকফেৎ নোকফেৎ তৌনা
হংনৈ — কনানো লাকলিবসিবু কনানো ॥
নিঙশিংলকই কমানডেন্ট, মেম সাহেপ
ফুক ফুক হোৌগৎলি মূর্তি (মুঙগী) পরেং চামডানা

'নমস্তে মেম সাহেপ' লেপখৎলি সাবধান পোজিসন্দা
মূৰ্ত্তিশিংগী মরুমদা তুর পাতিনা চেৎনা কোন্সৗন্নৈ।
খোংজোম লানগী নিঙশিং মুমিৎনি
চৎনৈ ময়াম স্মৃতি মন্দির তম্না ব্রজবাশীগী
বেঙ্গুল খোংই সিফায় লাক্ক অমনা সলামী পী
খুদক্কা মূৰ্ত্তিচুগী শক্তমচু মাঙখি
মরমদি—
লাইরবনা মরৈবাকনিংবনি, লৈবাক্কীদমক কনাসু খনদে,
অন্দলোন্দা শিখিবা পাখঙ লৈশাবী লিশিং অনী
অরা লান্দা শিখিবা মীতৈ লাক্ক অমা
জপান লান্দা শিখিবা মীতৈ লাক্কথায়
পোকপদা মাঙখিবা অঙাং চাউবেৎ কুন
নোংমদা পুল্লপ যমবাজগী স্নেথোঙদা লাওবৈ
"ঐখোযগী দিমান ষ্টেটচুৎ
ঐখোয়গী কস্তম মাংহনবিগনু
ঐখোয়গী লোল রিকোকনাইজ তৌ ॥"

১৯৭০

গুহ মন্ত্রীগী ভাবন

তনবীবরা মীওই খ্বাদংমকপু খুরুমজবি,
চসি অসিনা মণিপুরদা লাকপা অহানবনি
মফম অসিগী মীযাম্মা এইহাকপু
তরাম-তবাম চকপীবগী অসিদগী
এইনা খঙই
সম অসি অমুকা মতিক চাউখৎলি ।
মফম অসিগী ফিজেৎ চাবচা
থাক্তদনা ফজবম্বা সচব
প্রকৃতীগী ফজবা শক্তম
যেংবদা পুক্নীং হুই
অসিগুম্না ফজবা লম
ভাবতকী মফম অমদা লৈতে ।
লমদম অসিগী লোন অমদি ৱাঙাং
যাম্না থোৎ নৌই তাবা নুঙাই
লোন অসি চাউগৎপা লোননি ।
লম অসি চাবা থকপা ৱাৎতে
ৱাখল নুঙাইনা লৈবা উই ।
এইনা আশা তৌই
লমদম অসিদগীসু অফাওবা
সাইন্টিস কয়া থোকলক্কনি,

রুসিয়া, অমেরীকা, চীনাগুম
স্পেচতা তোংহনা মুমীৎ য়োনা
পাইবা ঙম্বা মী কয়া হৌবরনি।
মফম অসিগী কল কাবথানাদা
মতিক চাবা থুৎশুমন ফংলি
মরম অসিনা
মফম অসিগী প্রজানা
অতোপ্পা লম অমগী মতেং লৌদনা
ইরাই লাইনা হিংবা ঙমই।
দেশ অসিগা মীওইশিংনা
অতৈ জাতীশিংদগী কবিস্থ ঙম্মদে।
ঐংগা খল্লই— মহাভারতকী মণিপুর
অর্জুন অমসুং চিত্রাংদাগী মাংপুব
পৃথীবীদা মমীং চৎপা লমদমনি।
মণিপুর ভারতকী অথাপ্পা চিদায়দা
মণিগুম ঙাল্লিবা ভারতকী মণিনি।
ঐনা সবকারগী মাথৈকেদগী হায়রি
মণিপুরবু লুংশিনা যেংগনি
মরাৎ-অপা থুদিং যেংশিনগনি

জয় হিন্দ।

ঐখোয়গী ইমুং

ঐখোযগী ইমুং মী মডা নৈ
ইযাম্বা, হমা,
হৈতেমা, ঐগী নুপী
অচুদগী ঐ, ঐ,—।
ইষাম্বনা হাযবা ঐনা লৌদে
ঐনা ঙাংবা নুপীনা তাদে
ইমানা হাযবা ইয়াম্বনা থুমদে।
নুপী অঙাংগী বাকং পরেং
ঐ খণ্ডদে,
রাঙাংলোন
রাখললোন
লোনচংলোন
হমান মাননদে
কসিযাদগী থাবকপ টেলিগ্রাম
মবোল খণ্ডদে,
লৈকাযগী অঙাংনা পিরম্বা বাঙ্লোন
মবোল পাবা ঙমদে।
ঐ কনানো নং খণ্ডরা
মা কনানো হাযবা হুম্বা?
হাইবং মীংহৈবা—

কবম্না হৌবকপা,
কবম্না লাওখিবা
খাংগাদোক্না রাবোউশিনগা কম্নাম লাপ্নবা।
চমুং অসিবু স্বর্গবা
নক্রগা নবক হায়বত্তুবা
অনীসিবু কয়াম লাপ্নবগা
মথক অসিদা মীযাম লৈবমক্ত হায়
ওম্না অমুম অমুম চৎখি হায়
ঐগী নুপীনা মফম অসিদা কবিগী লাকলি
কৈদৌঙৈ যুম অসি থাদোক্লনি।
ভরাদো কাম্ভা খোংলম্বা ইমা
হৌজিক কদায় চৎখ
কদাযদা থুংখি
কবি চাবমগান
কবি শেংলমগান।
নাথেং ঃ — !
পুংশন হায়বানা
মনমলা!
মানললা!
মপালা!

মীটিং

(১)

মী তরা পুল্লি
এজেন্দা তরা থাঙ্গংলি
মথং মথ পাবকই
রাবেপ ওবা পাস তৌই
মীথান থুবাক তবানক থুত
চা ওবা সিংহবা তারা
খবরদা রিপোর্ট—

(২)

মোডনিজম, রিএলিজম, ডাডাইজম
মোডনিটি, রিএলিটি, এবসোর্ড
স্ট্রীম আফ কন্সেসনেস
কন্তেমপররী মণিপুরী লিটরেচর
ফিউচর প্রোসপেক। মণিপুরীনেস।
নাহেরীবা ভাবক কয়া
মমীং অস্তুম উইথখি
মমীং অস্তুম উইথখি।
গ্রীক থিএটর, রোমান থিএটর
এবসোর্ড প্লে, ট্রেডিসনেল প্লে
মমীং ফাকলি ফাকলিবিবা ভাবকশিং

কোযনা য়েংই — গ্রীক সহব, রোম সহব।
উবকই - ভাবিযোনফম দুকান পবেং
যোংচাক যোনবী, থরোই যোনবী
অসি ওইবতাইদা মণিপুরীনেস।

(৩)

মযাম্না থঙবিবিবদুনি
চহি ২/৫ গী প্লান
লোকাক প্রোজেক, খোবুম প্রাজেক
সিংদা ডাম, খোবুম ডাম
চহি অমদা লৌবোক অনীবক
ববি অমদি খাবির
কুমসি চিঙ্গাকোদমক চিংননিংডাই লৈতে।
পেপর মীল, সুগর মীল
প্রাইজ ফিক্সেসন
টুইনটি পোইন্ট একোনোমিক প্রোগ্রাম
সুমফম লৈরুদবদা যুমফম পীবি
লাইব অনং তেমলি।

মীং কোংজরে

হাউবা-কোন্নু এন্দ সন্স হায়বন্থু
পেমচা এন্দ ববচাউবা কো, ওনজবে,
কবিগী ?

হনকন্নটেত্রা অতোনব বোকনবা ।
শ্রীগী মীং 'মাধব' কৌনখ্রু
'বামচন্দ্র' কৌজরে ।
মরমদি—
বঙ্গ তগী লোন লৌনন্থু শিংদনবা
হাউশিং লোন মংপা যানবা ।
হশেংনমক হনীং ওনবা পামজবে
হিংদা যাদবা হুনিযাসিদা
কৈ কোক অমুক উপ
শজি কোক অমুক উপ
যাও কোক অমুক উপ
অমুম হিংবা তাবি ।

কৈ ওল্লবা
যাও ওল্লবা
নোংশা ওল্লবা
শা-কথানা

আফিসকী তেবল তেবলদা
হোটেল হোটেলদা
লৈকায়দা থুঙংদা
অস্থম অস্থম চংলকই
অতুনা,
লাইরবা লৈবা য়াদ্রে
অনংবা পানবা ঙমদ্রে
ভাগ্য, খুম্ন, যেনগী সমাজ
হুই, তৌদোং, ওককী কাংলুপ
হিংবগা-শিবগা মান্নরে
শিবগা-হিংবগা মান্নরে।
অতুনা
পুন্সীসে বিভাইস তৌহন্নীংলে
লৈশেমডৈদা শুখনা পিরম্বা
জীবগী চহি ডিক্লেয়ারেসন
রিনিউ অমুক তৌবীরো!
শানা মী অমুক ওল্লো
মীনা শা অমুক ওল্লো
নমীং অমুক হোংলো।

অসুম খল্লি

(১)

ঐ অসুম্না সুম খল্লি
সোসাইটি অমা লিংগে হায়না।
মমীং হান্না থোনসিবা
কমীটি হান্না শেমসিরা
সাইন বোর্ড হান্না য়েকসিবা
লোন হান্না লৌবনা ফগদ্রা !

(২)

ঐ অসুম্না সুম খল্লি
ঐগী হচা এম. এ. পাস তৌজরে
এম. সি. এস. পোষ্ট ফংজরে।
প্রজাদগী শেল চাহনসীরা চাহনগুমসীরা,
শেনচাবা হৈতে পণ্ডিত হায়খিনি
শেনচাবা হৈরে প্রজানা শাওগনি।
শা চাহনসিবা যু থকহনসিরা
নত্রগা, অমতা হৈনহনগুমসিরা !
মানা ফংলকপা তলবসি পায়শিনশিরা
নত্রগা মাবু ইমুংসি শিলহনসিবা !

(৬)

(বানোম হৈবী মুপী)

ঐ অসম্মা সুম খল্লি
শাকিসারনা চানবানবা, মঙ্গালা য়ানবা
চিনবান্দা লিপন্সীক তৈতসিরা
পিভাক্ষমদা শমত্রু নমসিবা
পীশুমদা শাজল তৈতসবা
নএগা খং লোক্তুনা
নমস্তে হেক হেক তৌসিবা,
তাহে চায়না কৌসিবা
থাঙ্গুং চাগলন ফগদ্রা
'সাদ' চাযবনা চুম্ব
সাহেপ চাযবনা চান্নব্রা
ফিসিবু তোপ্সনা
চঙ্গামপাক তু চঙ্গীরা
কোম্বীবৈচু শেংগাসবা
শাসিম্ব মঙ্গালে বুন্দাবানী কৌসবা।

থরো-থম্বাল উবগা

যেংউ মরুপ ঃ

সূরবা লাইজ ঈপাকসিদা
থরো-থম্বাল থারিক থা
হাইনা হুম্না জগোয় শারি
চীংজাওগী খোইমু সঙ্গু সঙ্গুনা
মনম হুংশিরবা লৈবিক লৈনা থুজিংদা
মনিং তম্না চম্পলি।
লৈতি চেম্পবা লৈরাংগা
কমলবা লৈরিকপু
অনৃতনী খন্দুনা
পেন্না থকলি
তমগী খোযমু সঙ্গুনা।

যেংউ মকুপ ঃ

চীংজাওগী খোয়মু কয়ানা
মীকুপকী, পুংজাগী ঙংল ঙংল পাইরবি।
থরো থম্বালগী অরাবা উজবতনি
য়েংজবতনী
করিদি হায়রুনি
করি শক্তি লৈহনা!

চিঙাং খোইমুগী অনৌবা শক্তম
অনৌবা আশা
মখোয়গী রাখলদা হুন্ডাইজবগীরি
মখোয়গী থৌজালগী মীৎয়েংদা।

লমদমসিগী ভদ্রলোক কয়াগী
অনৌবা আশা অনৌবা রাখল
অনৌবা নুমীৎকী মঙালসিন মমাংদগী
করম্বা পুংজাদনো,
করম্বা মীকুপ তনো,
২০ শুবা শতাব্দীগী লোইরনদাগীসিদা
ইতোমতগী রাখলনা
ইতোমতা হিংজবা
ইতোমতা শাৎচবা।

নহাক করি খল্লি

অহাংবা মালংদা ঙমথৈনাইদা অতিযাদা
লৈচিন মপৈ মপৈগী লমজেন
মালেমবেনা ভুম্বদা শাথেক তোযবিবী লৈচিন
শাদানবনা তাল্লকলবী শজীগী মতৌগুম
পম্বুংফম খঙদনা পাইবিবনা
নত্রগা, ম্বাশাবগা কাবনবদা মাবনী
লনা[illegible] শানৌগী শক্রুমলা !

মপোৎ থল্লা হাঙবা যনগাডী
নুঙ্গাইবক্তা কদ্রক-কদ্রক-কদ্রক
ম্বু শে তৈতবা গা[illegible]ী রালাগী
ভুইস-ভুইস লাউবা শাজৈগী গুর
[illegible]চজবা নত্তনা রাকংপা ঙমজদ্রবা
তথক-তথকলবা গাডীযন উবগা
হায়যু নহাক কাব খল্লি !

অম[illegible] পোকচবা মচানা শিখিবদা
মপা-মমাগী শক্তম উবদা
গান্ধীজীনা লৈখিদ্রবদা ভারতনা রাজবা
নেহরুনা থুপখিবদা ভারত বাসীনা কপচবা
মম তাজনা লৈবোন চনাখবদা সহাজাহানগী তেংবা

বঙ্গলাদেশতা মুজীবনা লৈথিদবদা
ফিরাল তংথাই চিংখৎপা উরগা
হায়যু নহাক করি খল্লি।

পুজা তৌরবা বলীগী হামেং
নংবু হারাওরিগদ্রা
নত্রগা কপালিংগদ্রা
থাংশাং অসিংদু থডগনে।
হায়যু নহাক করি খল্লি।

হেংউ, শাবনা সরুক থঙ্গা
পিকলিবা মচা নমদা পো
তমাং মারক-মরিক তাবব।
লোং-কেত্তোই পুবাবী ইমাসু উবগা
হায়যু নহাক করি খল্লি।

শাদানবা যা নোংমৈনা পাল্লবা
চাংঙনবী শক্তা অমোম,
... শবা নচাহুনা
কাথে-কাথৈ চেন্নৈবসি উরগা
হায়যু নহাক করি খল্লি।

ঐ মীং তাঙলবনি

ঐ মীং তাংলবনি
কৈদৌকনি হিংহুন লৈবগী
শিবগা হিংবগা করি থেন্নৈ।

হিংবগা শিবগা
শিবগা হিংবগা মাপ্পবনা,
উবগা তাঙবগা
তাঙবগা উবগা [illegible]

মীং অমিনা [illegible] দ্রবা
হিংবা অসিনা চমলবা,
ঐহাক্না করি হায়বা ঙমই
সমাজগী [illegible] উবগা।
[illegible] হৈত্রবা মা উবগা

ঈশ্বর [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] খোঙ অমিগা [illegible]
চহি মতাং অসিনা [illegible]
সমাজ চৎনবোল [illegible]
সমাজ অসিনা [illegible] [illegible] [illegible]বগা
পুন্সী অসিনা পুন্সী অমা [illegible]বগা
মীং অসি পাঙলাকা দ্রোগ।

———— —— — —

ইতিহাস

নংথৌরেল কয়া পাম্লমই
পুথি কয়া ভৌবমই
লৈবাক কয়া লোউ চল্লমই
চীংমী কয়া লোইপোৎ ক রমই।

মুখ্য মন্ত্রীনা লৌচা পথাপ শেম্নীবে
মুপী কৈথেলগী খজনা কোকপাবে
এস. ডি. সি. অফিস শঙ্গাবীবে
মায়হৈগে অসোমগী কৈথেল অমা লিংবীবে

ইতিহাসনা ঐ অমসুং নংবু কৌরি
ঐ পোকপা কমদা থেংলম্বা কেলেণ্ডর
হৌজিক থেংলিবা কেলেন্দবগা শকথঙনৈ
তারিখ মশেল কপমিন্নৈ।

———

লেখকী কোংলবা লাইরিকশিং ঃ—

(১) শিক্লাং পারেং

(২) অঙাংগী লমচংকী শিঙি

(৩) অনৌবা য়েনীং

(৪) অরিবা শৈরেং (থোমজিনবা)